# ওকতা শ্বাইন ফিভর শন্দোরকপগী খুদম ফংলে

## মীওইবদা লৌনগনবা লায়না নত্তে, মীপাইনিংঙাই ওইদে

*: ভেটিরিনরি দাইরেক্তর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল এপ্রিল ২৪ :* হন্দক মণিপুরগী মফম খরদা লায়ওং খংদবা মওংদা ওক খরা নাবা অমদি শিরকপদগী মফম খরদগী ওক মঙাগী সেম্পল টেষ্ট তৌরুবদা স্বাইন ফিবর ওইরগ্নে। স্বাইন ফিবর লায়না অসিগীদমক থোয়না মীপায়নিংঙাই ওইদে, পাকশন্না টিকা থাবগী থবক চত্থবা হৌরগনি হায়না মণিপুর সরকারগী ভেটিরিনরি দাইরেক্তর ডা: এস জৌতেনো ফোংদোরক্লি।

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা হন্দক তোঙান তোঙানবা মফম অনিদগী ওক মঙাগী সেম্পল গুৱাহাটিগী খোনাপ্রিয়াদা লৈবা অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী কলেজ ওফ ভেটিরিনরি সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রোবাইওলোজিদা এপ্রিল ২১ দা তৌখিবা টেষ্টতা ওকশিং অদুদা স্‌ৱাইন ফিব্বর নারে হায়বা কনফর্ম তৌরে। মণিপুরগী মফম খরদা স্বাইন ফিবর নারে হায়বা চুপ্লে।

ঙসি সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ষ্টেট ভেটিরিনরি ওফিসকী দাইরেক্তরগী কাদা পাংথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দাইরেক্তর এস জৌতেনো মখাতানা ফোংদোরকখিবদা ওকশিংদা স্বাইন ফিবরনা নারে হায়দুনা মীয়াম্না থোয়না মীপায়নিংঙাই লৈতে। লায়না অসি মতম চানা নারক্ক্রিঙৈদা টিকা থারগা ঙাকথোকপা ঙম্মা লায়নানি। লায়না অসি নারবা ওক অদু মীওইবনা থোংদুনা চাবদা মীওইবদা লায়না অমত্তা শনে দাক্তে। স্বাইন ফিবরনা নারে হায়দুনা মীয়াম্না কিনিংঙাই ওইদে।

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা হৌজিক মণিপুরগী মফম খুদিংমক পাকশন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা টিকা থাবগী থবক হৌরগনি। মদুগীদমক হৌজিক দিপার্টমেন্টনা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা লৈবা এমঐচএও গী বাইওলোজিকেল প্রদক্সন সেন্টরদা শাবা স্বাইন ফিবরগী ভেক্সিন ৫০,০০০ লৈশিন্দুনা দিপার্টমেন্টতা লৈরে। হায়রিবা হিদাক অসি কোল্ড ষ্টোরেজদা নিংথিনা মেন্টেন তৌদুনা থম্বা হিদাক ঙাক্তনি। মসি শিজিন্নদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা পাকশন্না টিকা থাদোকপগী থবক হৌরগনি হায়না দাইরেক্তর জৌতেনো ফোংদোকখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল ইনবেষ্টিগেটর দিজিস ইনবেষ্টিগেসন লেভোরিটরি ডা: এনজি ইবোতোম্বীনা ফোংদোরকখিবদা ওক খরদা স্বাইন ফিবর নারে হায়বসি চুপ্লে। মহাক্না হৌখিবা এপ্রিল ১৭ তা ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং অৱাং লৈকাইদা লৈবা সাপম নোরেনগী ওক অনি অমসুং এপ্রিল ২০ দা ৱাইখোম লৈকাইদা লৈবা মোইরাংথেম ননাও কৌবা অমগী ওক ৩ গী সেম্পল লৌদুনা এপ্রিল ২০ দা মহাক মশামক গুৱাহতিদা চৎখি। এপ্রিল ২০ অমদি ২১ দা গুৱাহতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রোবাইওলোজিগী সেনিয়ার এক্সপার্ট অমগা লোয়ননা টেষ্ট তৌখিবদা স্বাইন ফিবর ওইরে হায়বা খঙলকপনি।

মহাক্না মখাতানা ফোংদোরকখিবদা ঙসি পাউচে অমদা স্বাইন ফিবর অমদি স্বাইন ফ্লু অনি অসি মান্নবগী মওংদা ফোংদোরকপা অদু লাল্লি। স্বাইন ফিব্বর অমদি স্বাইন ফ্লুঅনি অসি য়াম্না খেৎনৈ।

মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট অসি ওক য়াম্না লোয়বা লমদম ওইবনা স্বাইন ফিবরগী হিদাক ভেক্সিন অসি খরা য়াম্না পিবিয়ু হায়না সরকারগী মায়কৈদগী সেন্টরদা য়াম্না কন্না তক্লন্দুনা লাকপনি। অদুবু ভারতকী ওইনা স্বাইন ফিবরগী হিদাক অসি মশিং য়াম্না শাদবদগী সপ্লাইনা ৱাৎপা দিমান দনা হেনবা মওংদা লৈরকপনি।

স্বাইন ফিবর হায়রিবা লায়না অসি অনৌবা লায়না অমা নত্তে। মতম কয়াগী মমাংদগী হৌজিক ফাওবা গ্লোবেল্লি অদুম লোয়নদুনা লাক্লবনি। কালেন থা চংলকপা মতমদা তোয়না নাগনবা লায়নানি।

চহি খুদিংগী দিপার্টমেন্টনা লায়না অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লিবনি। আর এন এ হায়বা ভাইরসনা থোকহনবা য়াম্না লৌনগনবা লায়না মখল অমনি। লায়না অসি পিক্লিবা ওক মচা অমদি খরা চাওখৎলকপা মপি ফাদ্রিবা ওকশিংদনা হেন্না নাগল্লি। অমদি শিবগী চাংসু য়াম্না হেল্লি।

লায়না অসি ওক অমদগী ওক অমদা য়াম্না লাইনা শন্দোক ঙমই। শন্দোকপগী মওং কয়াসু লৈ। অদুবু নারক্ক্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং পায়খৎলগদি য়াম্না লাইনা কন্ট্রোল তৌদুনা নাহন্দবা য়াই।

লায়না অসিনা নারবা ওক অমদা স্বাইন ফিবরগী ভেক্সিন কাপ্পবসু লায়না অসি মপুং ফানা ফহনবা ঙমদে। লায়না অসিনা নারবা ওকশিং মপুংফানা ফহনবা ঙম্বা হিদাক হৌজিক ফাওবা মালেমগী ওইনা পুথোক্ত্রি। এন্টিবাইওটিক টেব্লেট, ভিটামিন্নচিংবা থাদুনা ওক অদু শিহন্দনবা হোৎনরবসু মহিক অদুদি ওক অদুদা অদুম্মক য়াওদুনা লৈ হায়না ডা: ইবোতোম্বীনা ফোংদোকখি।

মহাক্না মখাতানা ফোংদোকখিবদা স্বাইন ফিবর লায়নানা নারক্তনবা কোরিয়াদা শাবা ভেক্সিন অমদি ইন্দিয়াদা শাবা ভেক্সিন অনিগী খেৎনবা করিসু লৈতে । লায়না অসি থোকহনবা ভাইরস অসি চপ মান্নে। মতম চানা কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্বা কোল্ড চেন মেন্টেন তৌবা হিদাক নিয়ম চুম্না নারক্ক্রিঙৈদা ওক্তা কাপ্পবদি লায়না অসি চংহন্দবা অমদি নাহন্দবা য়াই হায়নসু ফোংদোকখি।

কোল্ড ষ্টোরেজদা নিংথিনা টেম্পরেচর মেন্টেন তৌদুনা থম্বা হিদাক অদু নিয়ম চুম্না কাপ্পবদি স্বাইন ফিবরদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

এক্সপার্ট দোক্তর য়াওনা নিংথিনা মতম চানা টিকা থাদোকপিয়ু। হন্দক হৈঙাংদা সাপম নোরেনগী ওকশিংদা কোরিয়াদা শাবা ভেক্সিন হান্না কাপখি হায়রিবসি দিপার্টমেন্টনা সপ্লাই তৌদুনা কাপখিবা হিদাকসু নত্তে হায়খি।